**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 17-03-2026)**

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি-ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোরপোরেসন য়াওনা অবার্ন লোকেল বোদিশিংগী মীখল অথুবা মতমদা পাঙথোকবা হোৎনরি।

মনিপুর বিধান সভাদা বিরোধিগী সদস্যশিংনা মহুদ বিভাগতা পুখৎলকপা কট মোসন অমগী পাউখুম পীরদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-হন্দক পাঙথোকখিবা সরকার অসিগী অনিরকশুবা মন্ত্রি-মন্দলগী মীফমদা মীখল পাঙথোকনবগী মতাংদা খন্নখিবা লৈখ্রে। মীখল অসি পাঙথোকবা হোৎনবদা ইলেক্সন কম্মিসনগী পাউতাক অমা লৌবগী তঙাইফদবসু লৈ। এ.দি.সি. মীখল পাঙথোক নবগী মতাংদা হিল এরিয়া কমিতিদগী রিকমেন্দেসন থারকবসু খঙহনখ্রে।

বিরোধিগী সদস্য-থোকচোম লোকেশ্বরনা অবার্ন লোকেল বোদি মতম চানা পাঙথোকপা ঙমদবা অমসুং ইম্ফাল অমসুং অবার্ন এরিয়াশিং নীংথিনা তরু-তান্ননা থম্বা ঙমদবগী মতাংদা অদুগা কৈশাম মেঘাচন্দ্রনা ম্যুনিসিপাল এরিয়াশিংদা ইরম নালা নীংথিনা শেমদবা, অমোৎ অকায়শিং লোয়শিনদবা, লম্বী নীংথিনা শেমজিনদে হায়দুনা কট মোসন পুখৎলকখি।

ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন বিভাগকী মতাংদা বিরোধি সদস্যশিংনা পুখৎলকখিবা কট মোসনশিং পাউখুম পীরদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-বিভাগ অসিদা ষ্টাফ মশিং ৱাৎপা, রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাংনা মরম ওইদুনা বিভাগ অসিগী থবক থৌরমশিং খরা তমথরুরে। অদুম্মকপ, বিভাগ অসি হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা সরকারনা হোৎনরি।

**এসেমব্লি(এল)ঃ** ১২ শুবা মনিপুর বিধান সভাগী তরেৎশুবা মীফমগী ঙসি

অরোইবা নুমিৎতা তোঙান তোঙানবা বিভাগ তরেৎকী অপুনবা শেনফম লুপা কোতি লিশিং ১,২৫৮ লাখ ৮৬ লিশিং ৯০ হেনবগী শেনফম পাস তৌখ্রে।

ঙসি পাস তৌখিবা দিমান্দশিং অদুদি-ম্যুনিসিপাল এদমিনিষ্ট্রেসন, হাউজিং এন্দ অবার্ন দিবলপমেন্ট, পাব্লিক হেলথ ইঞ্জিনিয়ারিং, ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন, ষ্টেট এক্সাইজ, সেলস টেক্স এন্দ আদর দ্যুতিস, ফয়ার প্রোটেক্সন এন্দ কন্ট্রোল অমসুং হোম গার্দনি।

সভাদা ঙসি শেল থুমগী বিভাগসু পুরিবা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা পুখৎখিবা দিমান্দশিংগী মনুংদা ম্যুনিসিপাল এদমিনিষ্ট্রেসন, হাউজিং এন্দ অবার্ন দিবলপমেন্ট অমসুং পাব্লিক হেলথ ইঞ্জিনিয়ারিং বিভাগকী মতাংদা এম.এল.এ. কে. মেঘাচন্দ্র অমসুং এম.এল.এ. টি.ঐচ. লোকেশ্বরনা কট মোসন থাংগৎলকখি।

**খেমচান্দ (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা ঙসি মনিপুর বিধান সভাদা হায়খ্রে-রাজ্য অসিদা নোং খজিক্তুং তাবগা ঈশিং থুমজিনবগী অৱাবা মায়োক রিবা অসি কোকনবা সরকারনা তোঙান তোঙানবা থবক কয়া পায়খৎলে।

সভাদা ঙসি এম.এল.এ. কে. মেঘাচন্দ্রনা পুখৎলকপা কট মোসনগী পাউখুমদা শ্রী খেমচান্দনা হায়-অনৌবা সরকার অসিনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লম্বীগী নাক-য়েৎতা ইরম নালা নীংথিনা শেমগৎলি। লোয়ননা মফম কয়াদা শেমগৎপগী থবকসু চথরি।

খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী অকোইবদা অমোৎ অকায় পৈশিন্দুনা লৈরিবা অসিগী মতাংদা হংল্লকখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা শ্রী খেমচান্দনা হায়-মীয়ামনা ইম্ফাল সহরগী অকোইবদা অমোৎ অকায় লংথোকপগী হৈনবী অসি থাদোকপীয়ু। কৈথেলগী অকোইবদা লৈরিবা অমোৎ অকায়শিং আই.এম.সিনা শিৎ শেংবগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

ৱেষ্ট মেনেজমেন্টকী মতাংদা পল্লদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-ইং ২০১৬ তা

হৌদোকখিবা ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট প্লান্ট অসি কোবিদনা মরম ওইদুনা থিন্থদুনা লৈরম্বনি। প্লান্ট অসি লোয়শিন্নবা লুপা কোতি ৩৩ গী প্রোজেক্ট অমা পীবিনবা দোন্নর মন্ত্রালয়দা হায়জখ্রে। প্রোজেক্ট অসি অয়াবা পীরক্লবদি ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট প্রোজেক্ট অসি নীংথিনা পায়খৎপা ঙমগনি হায়না মহাকা মখা তাখি।

এম.এল.এ. কে. মেঘাচন্দ্রনা পুখৎলকখিবা কট মোসন অমগী পাউখুমদা শ্রী খেমচান্দনা হায়-ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোরপোরেসনগী মখাদা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী অকোইবদা অমোৎ অকায় পৈশিন্দুনা লৈরিবশিং অয়ুক অমসুং নুমিদাংগী মতমদা লৌথোকপগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। মহাকা হায়-ইং ২০১৬ তা হৌদোকখিবা ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট প্লান্ট অসি লোয়শিন্নবা অৱাৎপা শেনফম মখা তানা কায়থোকপগী অয়াবা পীবিনবা রাজ্যপাল য়াওনা মরী লৈনবশিংদসু অইবা চেরোল পীশিনদুনা খঙহনখিবা লৈরে।

হাউজিং অমসুং অবার্ন দিবলপমেন্টকী মতাংদা পল্লদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-অবার্ন হাউজিং স্কিমগী মখাদা পন্দুনা লৈরিবা থবকশিং লোয়শিন্নবা অমদি শেন্থংশিং পীথনবা হোৎনরি। স্কিম অসিগী মখাদা পীরিবা চৎন-কাঙলোনগী মতুং ইন্না য়ুম্থু ওইরিবা মীওই অদুনা য়ুমগী ফাউন্দেসন হান্না শাগদবনি অমদি লমগী মপু অদু মহাক্কী লোয়নবীগী মিংদা লৈগদবনি হায়বগী ৱাফম লৈবনা শেন্থং পীথবদা চয়েৎনবা খরা লৈবনি। মসিসু অথুবা মতমদা লোয়শিন্নবা থৌরাং তৌরি।

শেল থুমগী বিভাগসু পুরিবা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা মনিপুর এপ্রোপ্রিএসন বিল নম্বর টু-২০২৬ ঙসি সভাদা পুথোক্লবা মতুংদা খন্ন-নৈনখি। বিল অসি পাস তৌরবা মতুংদা ১২ শুবা মনিপুর বিধান সভাগী তরেৎশুবা মীফম মতম কক্তনা য়ৈথোকখ্রে।

**ৱাহং (এল)ঃ** ফোরেষ্ট, ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকী বিভাগসু পুরিবা উপ মুখ্য মন্ত্রি-লোশি দিখোনা হায়রি-রাজ্য অসিগী জিলা ১০ দগী ভিলেজ চীফ

১৬, লম মপু অমা, পোপী থাবা মীওই ৬৪ পুন্না মীওই ৮১ পোপী থাবগা মরী লৈননা ফাগৎখ্রে অমসুং এফ.আই.আর. ৪৪ লৌখৎখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি মনিপুর বিধান সভাদা এম.এল.এ. থোকচোম লোকেশ্বরনা হংল্লকপা ৱাহং অমগী পাউখুমদা শ্রী দিখোনা ফোংদোকখিবনি। খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী মনুংদা লৈবা পাৎলৌ অমসুং ইশিকা চীংজিনদা চীং কক্লিবা অসি সরকারগী অয়াবা লৌখিবা লৈব্রা হায়না শ্রী লোকেশ্বরনা হংল্লকপা অতোপ্পা ৱাহং অমগী পাউখুমদা শ্রী দিখোনা হায়-কেন্দ্রগী ইনভাইরোনমেন্ট, ফোরেষ্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকী মন্ত্রালয় অমসুং রাজ্যগী ফোরেষ্ট, ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ বিভাগনা বন (সনরক্সন ইভম সম্বরধন) অরধিনিয়ম-১৯৮০ গী মখাদা য়ুমাম পাৎলৌদা হেক্তর ১.৩০ চাউবা উমংগী লম অসিদগী ব্লাহন কোন্নর লৌথোকবা অমসুং অখোইবা লম্বী চুমথোকবগী থবক পায়খৎপদা ফোরেষ্ট ক্লিয়ারেঞ্জ মমাং চহিদা পীরকখি। মফম অসিদগী লৌথোকপা লৈবাক অদু তুরেল লৌনম্বাল থোনবা অমসুং ইম্ফাল রিং রোড থোনবগী থবক্তা শিজিন্নখি। সরকারনা লেপ্পা রেটতা পীফম থোকপা রোয়েলিতিসু ফোরেষ্ট বিভাগতা পীখ্রে হায়না মহাকা মখা তাখি।

**ডে(এল)ঃ** ৪৬ শুবা রিয়েলাইজেসন মন্থ ঙসিদগী হৌখ্রে। থৌরম অসি থাবুম অমা চুপা এপ্রিলগী ১৭ ফাওবা চত্থগনি।

ওল মনিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমশু) অমসুং মনিপুর য়ুনিভরসিতি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুশু) না পুন্না শিনদুনা ঙসিদগী হৌখিবা থৌরম অসিগী নুঙগী ওইবা ৱারোলদি-'মনিপুরগী য়েলহৌমীশিং কন্নবা মীকপ থোরকপা' হায়বসিনি।

মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী কেমিষ্ট্রে কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা এমশু হেদক্বাটরসগী প্রসিদেন্ট-লুক্রাম মালংবন, হান্নগী এমশুগী প্রসিদেন্ট অমসং মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী স্কুল ওফ লাইফ সাইন্সকী দিন-প্রোফেসার এন. মোহিলালনচিংবা তোঙান তোঙানবা লুপকী লুচিংবশিং অমদি

অখণ্ড অহৈ কয়া শরুক য়াখি।

থাবুম অমা চুপা চথুগদবা থৌরম অসিগী মনুং চন্না মহৈ লোইশঙশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা এসে কম্পিটিসন, সিম্পোজিয়ম য়াওনা য়েলহৌ ফুরুপশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবা কলচরেল একচেঞ্জ প্রোগ্রাম য়াওনা থৌরম কয়া পাঙথোক্কদৌরি।

**য়োংচাক(এল)ঃ** নুমিৎ নিনি চথুগদবা য়োংচাক(ত্রি বিন) ফেষ্টিভেল কম ব্রেনষ্টৌর্মিংগী থৌরম ঙসিদগী ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা সি.এস.আই.আর-এন.ঈ.আই.এস.টি, ব্রাঞ্চ লেবোরেটরিদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি রাজ্যগী দিপার্টমেন্ট ওফ হোর্তিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জরভেসন, মণিপুর ওর্গানিক মিসন এজেন্সী(মোমা), এনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ বিভাগ, ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতি, সি.এস.আই.আর-এন.ঈ.আই.এস.টি অমসুং অপুনবা ইমাগী মচাশিং(এইমস) মনিপুরনা পুন্না শিনবনি।

**শিজ(এল)ঃ** শিজ একাডমী ওফ হেলথ সাইন্সেসকী কম্ম্যুনিতি মেদিসিন দিপার্টমেন্টনা শিনদুনা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শিংজমৈ চিংঙামখা হায়স্কুলদা সরভিকেল কেন্সর এন্দ ঐচ.পি.ভি. ভেক্সিনেসনগী মতাংদা হকশেলগী ওইবা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা স্কুল অসিগী ক্লাস নাইন অমসুং টেনগী মহৈরোইশিংদা সরভিকেল কেন্সরগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোল থমখি অমসুং ঐচ.পি.ভি. ভেক্সিনেসনগী মতাংদসু ৱাফম থমখি হায়রি।

**বোর্ড(এল)ঃ** বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুরনা লৌবা হায়স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট ইজগামিনেসনগী ঙসি থোকখিবা সাইন্স সবজেক্টতা নত্তবা পাম্বে

শিজিন্নরম্বা অমসুং মহুৎ শিন্দুনা পরিক্ষা থারম্বা মহৈরোই মঙা তাম্হোকখ্রে।

ৱাঙ্গোই হয়ার সেকেন্দরি-ৱাঙ্গোইদগী মহৈরোই অমা, এম.জি. এবরগ্রীন হায়স্কুল-পল্লেলদগী মহুৎ শিন্দুনা থারম্বা মহৈরোই মরি তাম্হোকখ্রে হায়না বোর্ডকী কন্ত্রোল্লর ওফ ইগজামিনেসননা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

**এদ(এল)ঃ** ধনমঞ্জুরি কলেজ ওফ টিচরস এদুকেসন-ইম্ফালনা চহি খুদিংগী পাঙথোক্কুনা লাকপা এন্যুয়েল কম্যুনিতি কন্টেক্ট এন্দ সার্ভিস প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী নোংমৈবুং পুরানা রাজবারিদা লৈবা রাজা দুমব্রা সিংহ ৱিমেন্স হোমদা লৈরিবা মীওইশিংনা শিজিন্ননবা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং তেংবাংখ্রে।

মসিগা লোয়ননা সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি।

**নাগালেন্দঃ** নাগালেন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদবা ৯ শুবা নোর্থ ইষ্ট য়ুথ ফেষ্টিভেল রাজ্যপাল নন্দকিস্বর য়াদবনা হয়েং রাজ্য অদুগী চুমুকেদিমা ফুটবোল স্তেদিয়মদা হৌদোক্লগনি।

নাগালেন্দগী য়ুথ রিসোর্সেস এন্দ স্পোর্টসকী দাইরেক্তর কেথো সিতুৱো সেখোসেনা হায়-ফেষ্টিভেল অসি অৱাং নোংপোক্কী রাজ্য ৮ গী নহাশিংগী মরক্তা নেসনেল ইন্তিগ্রেসন, কলা সংস্কৃতি অমসুং নুংশি চান্নবা পুরকবা পান্দমদা পাঙদোকপনি। ফেষ্টিভেল অসিগী থিমদি, অস্তলক্সমি-সেলেব্রেতিং আইট ফোর্সেস ওফ য়ুথ এন্দ প্রোগ্রেস হায়বা অসিনি। ফেষ্টিভেল অসিদা খুনুং ঈশৈ, জগোয়, ৱান এক্ট প্লে, রোক বেন অমসুং গিতরনচিংবগী কম্পিতিসন পাঙথোক্কনি। থা অসিগী ২১ দা লোইশিনগদবা লোইশিনগদবা ফেষ্টিভেল অসিদা অৱাং নোংপোক লমদমগী নহা লিশিং ১,২০০ রোম শরুক য়ারবা য়াই হায়রি।

**লৌউ ঃ** লৌউ শিংউ অমসুং লৌমীগী য়াইফ থৌরাং বিভাগকীদমক সরকারনা শেনবা চহি ২০২৫-২৬ তা লুপা কোতি ১২৭ হেনবগী শেনফম কায়থোকখি। মসি শেনবা চহি ২০১৩-১৪ দদি শুপগী লুপা কোতি লিশিং ২১ হেনবগী শেনফমখক্তমক কায়থোক্লমখিবনি।

লোক সভাদা হংল্লকপা ৱাহং অমগী অইবা ওইনা পাউখুম পীরদুনা লৌউ শিংউ অমসুং লৌমীগী য়াইফ থৌরাং রাজ্য মন্ত্রি-ভগীরত চৌধুরিনা হায়-সরকার অসিনা লৌমীগী য়াইফ থৌরাংগীদমক তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়া হৌদোক্লে। স্কিমশিং অসিনা লৌমীশিংদা পোৎথোক পুথোকপগী চাং হেনগৎহনবতা নত্তনা শেন্থোক লন্থীসু হেনগৎহল্লে। মহাকা হায়-ক্লস্তর লিশিং ১৮,৮২৫ শেমদুনা লৌমী লাখ ১৯ হেন্না রেজিস্তার তৌখ্রে।

মন্ত্রিনা হায়-লৌমীশিংদা য়ুরিয়া মতম চানা অহোংবা মমলদা ফংহনবা ঙমলে। ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ এগ্রীকলচর রিছার্স (আই.সি.এ.আর) না লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা খুঙ্গংগী মফমশিংদা ক্রিসি বিগ্যান কেন্দ্র ৭৩১ লিংখৎখ্রে।

**ফেষ্টিবেলঃ** ভারত ত্রাই ফেষ্ট, হয়েংদগী ন্যু দিল্লিদা হৌরগনি।

থা অসিগী ৩০ ফাওবা চথগদবা ফেষ্টিবেল অসিদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ত্রাইবেল জাতিশিংগী নাৎ অমদি চৎনবী অমসুং খুৎশা-হৈবগী পোৎথোকশিং উৎকনি। ত্রাইবেল কোওপরেটিব মার্কেটিং দিবলপমেন্ট ফেদরেসননা শিনবা থৌরম অসিদা কেন্দ্রগী ত্রাইবেল এফিয়ার্স মন্ত্রি-জ়য়েল ওরাম শরুক য়াগনি। ফেষ্টিবেল অসিদা স্তোল ২০০ হাংদোক্কনি। মসিদা বন্ধন বিকাশ কেন্দ্র ৭৮ সু য়াওরি অমসুং লৈবাক অসিগী ত্রাইবেল আর্টিসিয়ান ৩০০ হেন্না শরুক য়াগনি।

**পোর্ট ঃ** পোর্ট সিপ্পিং অমসুং ৱাটরৱেষ্ট মন্ত্রালয়গী স্পিসিএল সেক্রেটরি-রাজেস

কুমার সিনহানা হায়রি-গল্ফ লমদমদা ভারতকী জহাজশিং অশোয় অঙাম য়াওদনা লৈরি।

ন্যু দিল্লিদা নোংচুপ এসিয়াগী হৌজিক হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা পাউমীশিংদা পাউদম্লদুনা শ্রী রাজেসকুমারনা হায়-হৌখিবা পুং ২৪ দা গল্ফ লমদমদগী ভারতকী সেল্লর ১৬১ লৈবাক অসিদা শোয়দ-ঙামদনা য়ৌরক্লে। মহাকা হায়-ঙসি অয়ুক অঙনবদা গুজরাটকী কন্দলা হিথাংফমদা অনিশুবা ওইনা এল.পি.জি. পুবা নন্দা দেবী জহাজ থুংলখি।

পেট্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল মন্ত্রালয়গী জোইন্ট সেক্রেটরি-সুজাতা শর্ম্মনা পাউমীশিংদা হায়-লৈবাক অসিগী ওইনা পেট্রোল অমসুং দিজল মরাং কায়না লৈরি। মসিগীদমক মীয়ামনা মীপায়নিংঙাই ওইদে। সরকার অসিনা কম্মরসিএল এল.পি.জি. কঞ্জুমরশিংনা পাইপ নেচরেল গ্যাসতা ওন্থোকবসু তকশিল্লি।

**বেদমিন্টনঃ** ফ্রান্সতা ঙসিদগী হৌখিবা ওরলিন্স মাষ্টরস সুপর থ্রি হন্দ্রেদ তুরনামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসতা অকরসি ক্যাসব অমসুং চাইনিজ তাইপৈগী-ৰাই লি হৌজিক ক্বালিফাইয়িং মেটচ শান্নরি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা হয়েং ভারতকী কিদম্বী শ্রীকান্তগা দেনমার্ককী মেটনস জহাননেসেনগা অহানবা রাউন্দদা থেংনরগনি। আয়ুস সেথিসু মহাক্কী কেম্পেইন হয়েংদগী হৌরগনি।

**--সুনি-**